থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লৈবাক্কী লুরবা চাংয়েং পুংফমসিদা...

-টেলিভিজন-। ঙসিদি ইচম চম্বা মেদিয়ম অমা নৎত্রে। পুং কুনমরি, চহী চুপ্পা লেপ্তুনা - ঈশৈ নোংমাই, সিনেমা-দ্রামা (হিন্দি-ইংলিস-রিজনেল লেংগ্বেজ পূম্নমক্কী), রিজনেল-নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ন্যুজ, স্পোর্টস-হিষ্টরি-রিলিজন, সেরিয়েল-কার্টুন-স্পিরিচ্যুঅল ... অপাম্বা য়েংনীংবা পূম্নমক 'বত্তন' হোং-হোংদুনা নম্লগা য়েংবা য়াবদু য়েংলকখিদবা ফনা কুইরবনি-ইতিক ইপা চাদনা থৌগায় ময়াম অমা, হোয়া ফনা লৌশিল্লুবদু পাঙননবা হোৎনবদা। তৌবগীদি, ঐনা 'টাইম মেনেজমেন্ট অমদি ৱার্ক এল্লোকেসন' হৈতদুনা তৌরিবনি হায়বা ঐগী মরুপ খরগী এসেসমেন্ট অদু চুম্বজাৎনি। প্রাইওরিটি অমদি প্রিফরেন্সকী মতুংইন্না এনগ্যাজমেন্ট খরসু 'নো' হায়দুনা হায়দোক্কদবনি তাকপীরকপদু মীশোন ওইরুবা হায়গদ্রা, নো হায়বগী আর্ট'তু হৈতবা হায়গদ্রা-ঐঙোন্দা ইপুন পুনশিনবগুম তৌরে হায়বসিমদি ঐ খঙজে। পূম্নমকসিগী মথক্তা, চয়োল অমদা নুমিৎ তরুকনি চহী চুপ্পা লেপ্তুনা ঙাওচৎনবা থম্মোয়সিগী মপাউ অমখক তম্নবা হোৎনরুব'সিনসু ঐ'না টেলিভিজন্দগী লাপথোক্লবগী মরম অমা ওইখিবনি।

অদুবু, মতমগী খোঙচৎ অঙকপনি ! নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা অহিং নোংয়াই ফাওববু নুমিৎ ৪০নি লেপ্তুনা য়ূমদা-ইমুংদা লেঙদনা লৈনবগী অসুক কনবা য়াথং অমা লৈঙাক্লা পীরক্কনি হায়বসিদি কৈদৌঙৈদা খনখিদে। ইন্দ' য়াদবা য়াথংনি, ঙসি ফাওবা ইল্লক্লি। য়াথংমক্তি হায়বা য়াদবজাৎনি। লম্বী লমখাঙদা থেংনবা মরুপ-মপাং-মরী-মতা-শাগৈ-নাতৈ পূম্নমক অশিবগী দুত ওইরম্বা য়াই, নশাগী পুন্সি কঞ্জনবা অপীবা মতম খরসিদি য়ূমদা লৈয়ু হায়বনি। ৱাফম অসি থওইরুদবা, চাওখৎপা লমগী লমকেৎপা মতৌনা শিফম থোক্তবা মী কয়া শিহনখ্রে। তৎনরুরবা টেলিভিজনগী মরী নৌনা অমুক শমজিল্লকপদা তারে, উরে-তাহৈদ্রবা পাউ কয়া, উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ন্যুজ চেনেলশিং - কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না মরম ওইদুনা থোকহনবা মীশি-মীনাগী পাউ নত্তনা অতোপ্পা পাউ অমা লৈত্রবগুম ... কোকসিদা ভাইরস অসিগী ৱারী নত্তবা অতৈ অমা য়াওদ্রবগুম তৌরক্লে। থেঙ্ক গোদ! থেঙ্ক মোদি! ঐখোয়বু ইমুংদা ছো লোন্দুনা ফাদোক অমগুম থম্বীরমদ্রবা, মীওইবা খুন্নাইগী অনৌবা পুৱারী (ইতিহাস) অমা ইনবা মহৌশা লাইরেম্বীনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী অকুপ্পা ৱারীসি খঙলম্লোই। কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক-কোভিদ-১৯ মালেম'লাইচৎ, মাঙলমচত্তা থোকখিবা অচৌবা লাইচৎশিংদুগুম্বা মালেম লূম্নবা পোকপা মচা খরা লৌথোকখিনবা পায়খৎলকপা মহৌশাগী থৌরাং অমা ওইরমগনি শোয়দনা। অদুননি, চাওখৎপগী পন্দোন লোম্লে খঞ্জরিবা মীওইবগী মেদিকেল সাইন্স ময়াই চমহল্লিবা, মশাগী ইম্ম্যুন সিষ্টম কনজবা মহাক্তুবুদি খাল্লগা ইম্ম্যুন শোনবা মখোয়তবু খনগৎতুনা লৌরিবা। অশোনবা ফিল্টর তৌথোক্লগা অকনবঙাক্তা থমহৌবা - মেদিকেল সাইন্স'না ঙসিগী থাক অসি য়ৌনা চাওখৎত্রিঙৈ মতমদগী থোকখিবা মালেমগী লাইচৎ ময়ামসিদই থেংনরক্লবা 'নেচরেল হ্যুমেন ইলিমিনেসন প্রোসেস' অমরা? সাইন্টিষ্টশিংনসু, চিংনবা অসি কোক্লবা, কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌনবা ভেক্সিন পুথোক্লবা নৎত্রগা অতোপ্পা ত্রিটমেন্ট-মেথদ অমা পুথোক্লবা হোৎনবগী মথক্তা, হ্যুমেন এন্টিবোদিজ অমদি কোভিদ-১৯ ভাইরস অসিগী জিনেটিক ক্যারেক্টরসু কূপ্না নৈনদুনা থিজিল্লি। লায়না অসি লায়েংনবা হীদাক নৎত্রগা পাম্বৈ অমা পুথোকপা ঙমদ্রবসু ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইসিনা, ভাইরস অসিগী মশাগী নোর্মেল কোর্স অমা লোইরগা মদোম মরোমদোম মাঙজখিগনি - হিংবা ঙম্বা অকনবা খরদুনা তাইবঙ মখা শমথহৌগনি। মসিনি ভাইরেল ইনফেক্সন অমগী মহৌশাগী মচৎ।

অদুবু, ঙসি ঐবু খ্বাইদই থম্মোয় শোকহল্লিবা থৌদোক্তি অতৈ নত্তে। অসি য়ৌনা খুদোংথীরবা তানফম অসিদা, মশা-মশাগী পুন্সিবু অশিবগী খয়াত্তা লংশিনজরগা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনরিবা দোক্টর/নর্স/হেল্থ ৱার্কর ময়ামদা নূংদুম-চেকতুম লংশিন্দুনা পুন্সি তেমশিংনরিবশিং, মতু-মচা-মমা-মপা হুন্দে দাক্লম্লগা, 'লোকদাউন' ৱাহন্থোক খঙদবা, লম্বীগী লমহেনবশিং শেন্নরিবা পুলিসশিংদা চেকতুম-নূংদুমগী মথক্তা থাঙশাং হাইগত্তুনা মখূৎ ককথৎপা ঙম্বা... অসি য়ৌনা ৱাখল য়াওদবা, শারমচৎ চৎপা মীশিংসিগী মথক্তা লৈঙাক'সিনা তৌরিবসিনা করি? লৈবাকসিদা লো লৈতবরা? আর্ম ফোর্স'শিংদা পীরিবা 'স্পেসল পৱার্স', অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়া অমদি কাশ্মীরগী নহারোলশিংতবু নুংশি-হৈতা-ওৎ-নৈনবরা? তাঞ্জাসিদা, পুংফমসিদা ৱায়েলশঙগী য়াথং ঙাইফম থোক্তে। পীয়ু পুলিসতা অহেনবা শক্তি, মখোয়বু মথৌ তৌহল্লু। শারিঙৈদা য়ৈয়ু। খুদকসিদা ফারগা, অউবনা কাউরোইদবা চৈরাক অমা পীয়ু মীয়াম মমাঙদা। চুম্নগী লো থুগাইবা, সী আর পি সীগী এক্ট শিংনবা নত্তে মখোয়।

অসুম্না খোয়দৌ থীৎনা শাউনীংলিঙৈ উরকই - কর্ণাটকাগী বেঙ্গলুরুদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর 'দেবে গৌরা' গী মশুনুপা, কর্ণাটকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর 'কুমারশ্বামি' গী মচানুপা 'নিখিল কুমারশ্বামি গৌরা' গী 'লুহোং-থৌরমগী ভিদিও ফুট্রেজ'। মীচম-মীয়ামগী লুহোং'-থৌরম কয়া'দি লোকদাউন'না মরম ওইদুনা য়ৈথোকহল্লগা, ভি ভি আই পিগী মচা লুহোংবগীদমক্লা রুল পূম্নমক থুগাইহনবা! অতৈ লুচিংবশিংগী চীন্দগী পাউখুম পামদে, পাম্মী মোদি মশাদগী। মরমদি, কর্ণাটকা ষ্টেট, বি জে পি'না লৈঙাক পায়রিবনি। লো থুগাইরিবা 'কুমারশ্বামি' মশানা লুচিংলম্বা লৈঙাক, থুগায়খিবনি বি জে পি'না। হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা শেম্বা 'লোকদাউনগী লো', থুগায়রিবনি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা।

মিষ্টর প্রাইম মিনিষ্টর! পুংফমসি ভোৎ-বেঙ্ক পোলিটিক্সকী পুংফম নত্তে। ইন্দিয়া কৌবা নেসনসিগী লুরবা চাংয়েং পুংফমনি।

লৌশিং পুক্কে

# য়ূমদা ফেস মাস্ক শাবগী খ্বাইদগী ফবা পোৎলমশিং



লৈঙাক্কী চেরোল মতুংইন্না কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী চাং হন্থহন্নবগীদমক, মীপূম খুদিংমক য়ূমগী মপান্দা থোক্লকপা মতমদা ফেস মাস্ক শোয়দনা উপকদবনি হায়রি। অদুমওইনমক লমদম অসিগী মীয়ামনা শীজিন্নবা কোন্ননবা সর্জিকেল মাস্কশিং মতীক চানা লৈতবগী খুদোংচাদবা অমদি থেংনরি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি কোক্লবগীদমক কম্পনি অমনা পুথোরকপা মাস্ক নৎত্রগসু ইশানা য়ূমদা শেমজবা মাস্ক উপ্পদা অকায়বা লৈতে হায়নসু লৈঙাক্কী চেরোল অদুনা মখা তারি। মতাং অসিদা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম অমদি য়ূমদা ইশানা মাস্ক শেমজবা হায়বসিদা করম্বা মখলগী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা খ্বাইদগী ফবগে হায়বসিনি।

অদুবু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ইশানা ফেস মাস্ক শেমজবা হায়বসিদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। ফি নৎত্রগা পোৎলম খরদি অতোপ্পা পোৎলমশিংদগী পার্টিকলশিং ফিল্টর হেন্না তৌবা ঙম্মী, মসিনা ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকপদা ঐখোয়না শেমজরিবা মাস্ক অদু কয়া য়াম্না কান্নবগে হায়বদুদা খেন্নবা লৈহল্লি।

য়ূমদা লৈবা ফিরোলশিংনা শেম্বা নৎত্রগা য়ূমদা লৈবা পোৎ-চৈশিংনা শেল চঙদনা শাবা মায়খূমশিং অসি পব্লিক হেল্থ মিজরগী অহেনবা শরূক অমা ওইনা শীজিন্নবা হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না হায়রি।

অদুবু সী দি সীনা অমুকসু হায়রি, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা ফিট ৬ লাপ্নগদবনি হায়বা সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎনা-পথাপ অদুবুদি মখা তানা ঙাক্তুনা লৈবা হায়বসি ভাইরস অসি শন্দোরকপা তপথহন্নবগীদমক শোয়দনা তৌগদবনি। হান্নদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী সর্জন জেনরেলগী পাউতাক মতুংইন্না মীচম মীয়াম্না ফেস মাস্ক উপ্পগী কান্নবা লৈতবা মরম্না উপ্লোইদবনি, ফেস মাস্ক হায়বসি হেল্থক্যের প্রোভাইদরশিংখক্তনা শীজিন্নগদবনি হায়রম্মী।

অদুবু হৌজিক অমুক সী দি সী য়াওনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়ূমদা শেমজবা ফেস মাস্ক উপকদবনি হায়বা ৱাফম অমা অমুক হায়রকপসিনা মীয়ামদা চমন্নবা পোকহন্নবা মরম অমা ওইরক্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদর্ন কেলিফোর্নিয়াগী কেক স্কুল ওফ মেদিসিনদা মেদিকেল এদ্যুকেসনগী ক্লিনিকেল প্রোফেসর অমসু ওইবা ফ্লোটিং দোক্টর্সকী ফাউন্দর অমসুং সী ঈ ও ডা. বেঞ্জামিন লাব্রোটনা হায়, সী দি সী অমসুং সর্জন জেনরেলগী ওফিসনা মাস্কশিং মীয়ামনা মশিং য়াম্না লৈশিন্নখিদুনা হেল্থ ৱর্করশিংনা শীজিন্নবা লৈহৌরোইদ্রা হায়বগী পাখৎপনা মরম ওইরগা মীয়ামদা ফেস মাস্ক উপ্পা অসি কান্নবা ফংদে হায়না লাউথোকখিবা অসি লাইবক থীবনি।

ফিল্টর নীংথিনা তৌবা ঙম্বা-ঙমদবা, মরুওইনা সাইলেন্ট ইনফেক্সনদগী অতোপ্পা মীওইশিংবুসু ঙাকথোকপদা ফেস মাস্ক অসি য়াম্না মতেং ওই হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

সাইলেন্ট ইনফেক্সন লৈবা মীওইশিং অসিবু এসিম্পটোমেটিক কৌই। মখোয়দা লাইহৌ, লোক খূবা, নৎত্রগা কোভিদ-১৯গী অতোপ্পা লাইওংশিং অমত্তা উরোই। অদুবু মখোয় মশানদি খঙজদনা ভাইরস অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

করিগুম্বা মীওইশিং অদুনা এন৯৫ মাস্ক নৎত্রফাওবদা মাস্ক অমা উপ্পল্লগদি অতোপ্পা মীওইশিং ফাওবদি নাহল্লমদবা য়াবনি।

য়ূমদা ফেস মাস্ক শাবগী খ্বাইদগী ফবা পোৎলমশিং

লাব্রোটকী মতুংইন্না, সর্জিকেল মাস্ক (এন৯৫ মাস্ক নত্তবা) অমনা পার্টিকলশিংগী চাদা ৬০ দগী ৬৫ ফাওবদং ফিল্টর তৌবা ঙম্মী, অসিগুম্বা মখলগী মাস্ক অসিগী ওইনদি মসি নোর্মেলনি।

মহাক্না হায়রি মদুদি, ৬০০-থ্রিএদ কাউন্ট ওইবা মোনখুম নৎত্রগা ফ্লানল পাজমাবু অনী লোনশিন্নরগা চাদা ৬০গী চাংদা ফিল্টর তৌবা ঙম্বা মাস্ক অমা ইশানা শেমজবা য়াই।

মহাক্না হায়, মীওই অমনা হেক্তা মসি খঙবা ঙমগনি, অমদি লাইট টেষ্ট তৌবা হায়বসিনা মেটরিয়ল অমবু কয়া য়াম্না ফিল্টর তৌবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙম্নবগী অরায়বা পাম্বৈ অমনি।

মহাক্না হায়, মেটরিয়ল অদু মঙালদা খল্লগা য়েংউ। ফি অদু ফাওরগা মঙাল উবা ঙম্লবদি মঙাল ফাওবা ঙমদবা ফি অদুগুম্না ফবা য়ৌদবা য়াই। ফি অদু থারিবমখৈ, লংশিং কুঙলিবমখৈ ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনবগী ওইথোকপা লৈ।

ফেস মাস্ক শাবা য়ারিবা অসি কোটন টি-শর্ট অমদি পাজমা অসিখক্তং নত্তে। অতৈ পোৎলমশিংনসু য়াম্না হেন্না ফিল্টর তৌবা ঙম্বা য়াই।

লাব্রোটনা হায়, এন৯৫ মাস্ক অমগা হাইরপ মান্ননা কান্নবা য়ূমদা শাজবা মাস্ক মখল খরসু লৈ, অদুবু চপ মান্নবা চাংদা প্রোটেক্সন ফংনবগীদমক্তদি নীংথিনা ফিট তৌবদি ৱানা থোক্কনি।

হায় ইফিসিয়ন্সি পার্টিক্যুলেট এয়র (ঐন ঈ পি এ) ফিল্টর, ভেক্যুম ক্লিনর বেগশিং অসি য়াম্না কান্নে। লং য়াম্না কুঙনা য়াওবা ক্লিন্টর'স কোট্টননা স্মোল পার্টিকলশিং চাদা ৮০ ফাওবগী চাংদা তশেংনা ফিল্টর তৌবা ঙম্মী, অমদি মসিনা রেগ্যুলর সর্জিকেল মাস্ক অমদগী হেন্না নীংথিনা মথৌ তৌই হায়নসু ব্রোটনা হায়রি।

অদুবু লাব্রোটনা চেকশিনৱা অমসু হায়রি মদুদি, অথাবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা মতমদা খুদোংচাদবা অনীদি মায়োক্লগনি।

অহানবদা, নীংশা হোনবা ৱাগনি। অনীশুবদনা, ভেক্যুম ক্লিন্নর নৎত্রগা হাউসহোল্ড এয়র ফিল্টরগুম্বদি ফাইবরগ্লান নৎত্রগা নীংশা হোঞ্জিনবদা হকচাংদা শোক্লীংঙাই ওইবা অতোপ্পা পোৎলমশিংনা শাবা ওইরম্বা য়াই।

মরম অদুনা মাস্ক শেম্বদা কোট্টন নত্তবা অতোপ্পা পোৎলমশিং শীজিন্নগে হায়রবদি পোৎলম অদুদা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা মচাক য়াওবরা হায়বদু য়েংগদবনি হায়নসু লাব্রোটনা মখা তারি।

# ঈ-বুক হৌদোক্লবা, চীংমীশিংগী লোলদসু লাইরিক কয়া থাগৎপগী থৌরাং লৈরে হায়বসি হরাওনিংঙাই ওইবা ৱাফমনি : এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী লাইরিক ঈ-বুক ওইনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ৱেবসাইটতা থাগৎকনি হায়রিবা অমদি চীংমীশিংগী লোলদসু থাগৎপগী থৌরাং লৈরে হায়বসি হরাওনিংঙাই ওইবা ৱাফমনি হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) গী সেক্রেটরি জেনরেল বুসান লোংজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা মহৈ-মশিন তম্বগী হীরমদা চাউনা অকায়বা লাক্লিবসি য়েংদুনা লৈঙাক্লা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী লাইরিক ঈ-বুক ওইনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ৱেবসাইটতা থাগৎকনি হায়রি। ষ্টদি মেটরিএলসু শেমদুনা থাগৎকনি হায়রি। চীংমীশিংগী লোলদসু লাইরিক কয়া থাগৎপগী থৌরাং লৈরে হায়বসি হরাওনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মহৈ-মশিনগী লমদা লমদম অসিদা শোকচিল্লক্লিবসি ওনলাইনদগী লাইরিক দাউনলোদ তৌদুনা অমসুং ষ্টদি মেটরিএলশিং পীদুনা মেনখৎপা ঙম্লগদ্রা অমদি মহৈরোয়শিংনা ষ্টদি মেটরিএলশিং অদু ঔরাইরগা মতিক চানা হৈরগদ্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। লুরিবদি স্মার্ট ফোন, কম্প্যুটর, লেফটোপনচিংবা লৈতবা মহৈরোয়শিংনা কমদৌগনি হায়বসিনি। লায়রবা মহৈরোয়শিংগীদি মখোয়না ওনলাইনদা য়াওরিবা লাইরিক অমসুং ষ্টদি মেটরিএলশিং দাউনলোদ তৌদুনা চেদা নমথোকপা মথৌ তারক্কনি। চেদা নমথোকপসিদা চঙগদবা শেল অদুদি লায়রবা মহৈরোয়শিংনা অদুম্মক পুথোকপা তাগদৌরিব্রা। ওনলাইনদা লাইরিক অমসুং মেটরিএলশিং হাপ্পদা নত্তনা লৈঙাক্লা লাইরিকশিং অসি নমথোক্তুনা য়েন্থোকপা অমা মথৌ তারি। চেঙ, হৱাই, থুম, থাউ, য়েনবগুম লাইরিকশিং অসিসু ইসেন্সিএল আইটেমনি খন্দুনা নমথোক্লগা য়েন্থোকপা মথৌ তারে।

লাইচৎ অসিদগী মরম ওইরগা লোকদাউন তৌখিবনা অৱা-চৈথেং নংলবা লায়রবা ইমুং কয়াগী মহৈরোয়শিংদি লু কোকপদা লেন তাবা হায়বা ফীভম অদু লাক্কদৌরি। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী ওইনদি সেসন হৌখিবা থা ২/৩ ফাখ্রবনিনা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা টেক্সবুক লৈরম্লগনি। হৌজিক তঙাইফদ্রিবদি লাইরিক তম্বীবা অমসুং তাকপীবা অসিনি। ফীভম অসি য়েংদুনা লৈঙাক্লা হীরম অসিদা মতিক চাবা থৌদাং লৌখৎনবা ৱাফম থল্লি। লোকদাউন মরক অসিদা খ্বাইদগী মরুওইরিবা লাইরিক তম্বীবগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু অখঙ-অহৈ তান্নদুনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিগী য়েংদুনা থৌরাং খরা পায়খৎপীয়ু। লোকদাউন মতম কুইনা শাংথখিবা তারবদি সী বি এস ঈগী প্রমোসন পীখিবা অদুগুম্না বি এস ঈ এমগীসু ক্লাস ফাইব ফাওবদং ওইরবসু প্রমোসন পীনবা থৌরাং তৌহন্নিংই। লোকদাউন অসিনা অথুবা মতমদা লোইশিনখিবা তারবদি ঐখোয় খূদিংমক্কী য়াইফবনি। ক্লাস তৌহৌদ্রবা মতমশিং ফুগৎতুনা ক্লাস তৌনবা হোৎনবা তঙাইফদে। ছুটি নত্তনা অয়াম্বা ৱার্কিং দেশিংদা ক্লাস তৌবা মথৌ তারক্কনি। লৈঙাক্কী নৌনা হৌদোকখিবা থাংজ নুমীৎকী নো স্কুল বেগ দে অদুসু ৱার্কিং দে ওন্থোকপনা হেন্না শাফবা খোঙথাং ওইরক্কনি। অখন্নবা সবজেক্টশিংদা কোচিং, এক্সত্রা ক্লাসনচিংবা তৌহন্নবগী থবক লৌখৎপা তঙাইফদে। এস এস য়ু এমনা লাইরিক অমসুং ষ্টদি মেটরিএলশিং নমথোক্তুনা লায়রবা মহৈরোয়শিংদা য়েন্থোক্লবা শেম-শারি হায়রি।

## কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটি শামুরৌ কৌবা অমা শেম্লে হায়না কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন এম লোকেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৭তা শামুরৌ অৱাং লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা শামুরৌদা লৈবা অপূনবা ক্লবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কম্মিটি অসি শেমখিবনি। কম্মিটি অসিদা মোইরাংথেম লোকেশ্বর, ফৈরোইজম অচৌবা অমদি নোংমৈকাপ্পম মনাওবীবু মথংশিংনা চ্যেরমেন, জেনরেল সেক্রেটরি অমদি ট্রেজরর ওইনা খনখি। অপূনবা ক্লব ৭ তগী খনগৎলবা রিলিফ কম্মিটি অসিগী অপূনবা মেম্বর ২৯ লৈগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০। ০৪ ।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা;
শজিবুগী ২৮ নি পানবা ।

মেষ : শেল চংবা, মীয়াম্না থাগৎপিবা অমদি মীয়ামগা লোয়নননা চৎপা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি অরুবা ৱারেপ লৌদবনা ফগদবাওই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : শেল ফংবা, মীচং হেনগৎপা, পোরম য়াৎপা হৈবা, ইমুং-মনুং হরাওনা লৈমিন্নবা ওইগনি। অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি, ঙাঙথোকপদা ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : লেংদবা লন তানশিনবা য়াগনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি মীগী মতেংনা থৌ পাংগনি। নথক থোংবনদি য়েংশিনবা লৈ অদুনা অহৈ অপা শাদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনরুনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ফংবা, হনবা লৈতনা হোৎনবনা মীকোক থোংউ হায়বা নুমিৎনি। মীতোপ থাজবদগী চাদিং হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

সিংহ : মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি, অঙম্বনসু চানবীগনি অমদি পাংগে খনবা থবক্তা থৌনা হনগনু মায় পাক্কনি। অদবু ৱা ঙাঙবদি লুই, নরলসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা : নীংজবা থুংগনি, লল্লোন ঈতিক কান্নগনি, মীনা থাগৎপিবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবা ওইগনি। অদুবু য়েক্লবনা য়েংশিনবা অমদি খুরৌ থাংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : অখঙ-অহৈ শাগনু, মীৱাসু লৌগনু অমদি ফত্তবা ৱাখলনা মাঙওইনগনু। অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি ওইজবা থিবদা শোইদনা মায় পাক্কনি, থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃশ্চিক : অনীংবা পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবা য়াবা নুংঙাইবা লৈগনি, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈ অদুনা মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা থৌ পাংউ। চরাংনবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনবগুম নুংঙাইরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ ।

ধনু : য়েৎনবা অমদি অশাওবনা মাঙওইনরদি নচাক-নরল মাঙগনি অমদি অফা অপুন্নগনি। ইমুং-মনুং লোয়নননা পাংবদি মায় পাক্কনি অমদি মীংচৎ ফংবগুম নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি খুরৌ থাংবা খরা লোয়নরবসু থেংলপ্না নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা পূক্নিং পেন্না নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্ভ : মরুপ-মপাংনা থাগৎপিবা, লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি মীয়াম্না য়াবা থৌ পাংবনা মায় পাকপা নুমিৎনি। শেল পনবা অমদি পাউ নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মীন : হরাওবা নুংঙাইবা, নীংজবা থুংবা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক কান্নগনি। অদুবু য়েক্লবনা নরলদা মীতাবা লৈ-অদুনা অনম তানবা ফরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ময়াং ইম্ফাল এ সীগী য়ুমথোঙ ১২,৫০০গী মীওই খূদিংদা চেঙ ফংহনগনি : দেপ্যুটি স্পিকর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): ময়াং ইম্ফাল এ সীগী য়ুমথোঙ ১২,৫০০গী ওইনা চহী ৫দগী হৌরগা মীওই খূদিংমক্তা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহনগনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা এ সী অসিগী মনুংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ ওইরিবা দেপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রোনা এ সী অসিগী য়ুমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। পোল্লিং ষ্টেসন ৪১ লৈবা এ সী অসিগী মনুংদা লায়রবা ইমুং ৩০০০ হেন্না এ সী অসিগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং লোয়নননা কাউন্সীল্লরশিংগা খন্ন-নৈনদুনা খনগৎতুনা দেপ্যুটি স্পিকরগী মীৎয়েং মখাদা মহাক অমসুং এ সী অসিগী মনুংদা লৈবশিংনা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা চেঙ, হৱাই, ঙারি, অচাথাউ, থুম, আলুনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকপগা লোয়নননা দেপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রোনা হায়খি, লৈঙাক্লা পীরকপা নফসাগী চেঙ লেম্না য়েন্থোকখ্রবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনাগী চেঙগী থুংলরে। চেঙশিং অসি নফসাগী কার্দ পায়বশিংদা য়েনগদবনি। লৈঙাক্লা কুপ্না খন্নদুনা নফসাগী কার্দ পায়দবা লায়রবা ইমুং কয়াসু লৈবনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা চহী ৫ শুরবা আধার কার্দ পায়বা অঙাংশিংদগী হৌরগা মীপুম খূদিংদা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহন্নবা থবক পায়খৎলে। যোজনা অসিগী মখাদা লাকপা চেঙগী মথক্তা এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমদগী অৱাৎপা চেঙগী চাকথুং পুথোক্তুনা মীপুম খূদিংমক্তা ফংহনগনি। কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং কয়া ঐখোয় খূদিংমক্লা ঙাক্তুনা লায়না অসি থেংননবা হোৎনমিন্নসি। কোভিদ-১৯ দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা অৱাবা নংলবশিংদা লৈঙাক্লা পীরকপা মতেং অদুগী মথক্তা পাংবা য়াবশিং পাংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মাস্ক উপ্তবা য়ারোই হায়বা ৱাফম লাউথোক্লবনিনা মফম খূদিংদা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলু : লোকেশ্বর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): মাস্ক উপত্রবদি লম্বীদা থোকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম লৈরবনিনা ষ্টেট অসিগী মফম খূদিংমক্তা মীয়ামদা মাস্ক মরাং কায়না ফংহন্নবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলু হায়না হান্নগী স্পিকর এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কোভিদ-১৯ লোকদাউন গ্রিভান্সেস রিলিফ ফন্দগী মখাদগী চান-থক্লবা পোৎলম কয়া এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা য়েন্থোকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, মাস্ক উপত্রবদি চৎথোকপা য়াদবগী ৱাফম কয়া লৈঙাক্লা লাউথোকপা লৈরে। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মাস্ক উপ্পা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ষ্টেটসিগী মফম খূদিংমক্তা মাস্ক মীয়ামদা মরাং কায়না ফংহন্নবা লৈঙাক্লা থৌরাং পায়খৎলু। লৈকায়-লৈকায়দা লৈবা ফার্মাসিশিং য়াওনা মফম কয়াদা মাস্ক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। মাস্ক লৈবা ফংদ্রবদি মতৌ করম্না উপকদৌরিবনো হায়বা ৱাফম লাক্কনি।

চেঙ য়েনবগী থবক চত্থরিবা অসিদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংগী ওইনসু চেঙ ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। হৌজিক চেঙ লৈফমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। খুন্দ্রাকপম এ সীগী ওইনসু লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংগী ওইনা ফংহন্নবা চেঙ লৈজগে হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি। লৈবা ফংলবদি এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী অদুম্মক লৈরগা ফংহনবা য়াই। নৎত্রগনা ফ্রী ওপন সেলগী খুথাংদা ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। এ সী অসিগী ওইনা নফসাগী কার্দ পায়দবশিংগী ওইনসু য়েন্থোকপগী থবক চত্থরি। নফসাগী কার্দ কায়দবশিংগী ওইনসু এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী পুথোক্লগা চেঙ ফংহনবনি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কোভিদ-১৯ লোকদাউন গ্রিভান্সেস রিলিফ ফন্দদসু মতেং পাংনরক্লি। শেনফমশিং অসি এ সী অসিগী মফম-মফমশিংদা মীয়ামগী তেংবাংদা শীজিন্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। ঙসি পাঙ্গৈ খুন্দ্রাকপম অমদি কৈবী কুমুদানচিংবা মফম কয়াদা চেঙ অমদি চান-থক্লবা আলু, ঙারি, হৱাইনচিংবা কয়া য়েন্থোকখি।

# মপোক-কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): লমন থাঙ-তা, লিভিং আর্ট একাদেমী মণিপুরী থাঙ-তাগী ৩৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লাইগী ওইবা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়নননা শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা মহৈশঙ অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

একাদেমী অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লাইগী ওইবা থৌরম খক্তমক তৌরবা মতুংদা লাইওইখ্রবা ওজাশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহৈশঙ অসিগী শিন্তাকপনা থৌরমসিগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া থমখি। মপোক-কুমওন থৌরম অসি কুমশিগী ওইনদি মীয়াম য়াওদনা মীওই খরখক্না পাঙথোকপনি হায়রি।

# থবক শুরগা চরা তাল্লিবশিং খম-থেংনা ৱানরে : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা অশানবা য়ুমদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি থবক শুদুনা চরা তাল্লিবশিং খম-থেংনা ৱানরে হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম সুনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা মরম ওইরগা নোংমগী চাদবা য়াদ্রবশিং অসি শুরগা চাবা অমদি অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওই কয়াদি অৱাবগী পনখৈ য়ৌরক্লে। এ সীশিংদা ভোটর লিষ্টতা চন্দে হায়দুনা য়েল্লিবা চেঙ পীবীদবনা মীওই কয়া ৱানা লৈরি। মপান থোক্তুনা থবক শুবসু লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু অসিনা য়াদ্রে। চেঙ-চাক য়েল্লকপদসু পীবীদ্রে হায়বগী ৱাফম কয়া লৈরবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং অমত্তা পীদ্রি। এম এল এশিংনসু ভোটর নত্তে হায়দুনা মতেং পীবীদ্রি। সী এমনা পূক্নিং চঙবীদুনা মখোয়গী অৱাবসি অথুবদা তাবীয়ু।

অশানবা য়ুমদা লৈরিবা, শু-নোম্লগা হিংবা মখোয়শিং অসি হিংনবগীদমক থবক শুবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়বা ৱাকৎ লাকপসু য়াই। মসিনা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থমদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্ল বা হোৎনরিবা পূম্নমক অরেম্বা তারক্লবগী মরম ওইরকপা য়াই। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুগী অৱাবা মরক্তা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরক্লি। মণিপুর মীয়াম অসি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপচিল্লক্লি। লৈঙাক্লা অৱাবসি কোক্লবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।